# অঙাংশিংদা পোলিটিকেল হিষ্টরিগী মরমদা খঙহনবা চঙই ঃ ব্রাই খেমচান্দ

ইম্ফাল,মে ১৮ (এস এন এস)ঃ

লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংদা ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল হিষ্টরিগী মরমদা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না স্পিকর ব্রাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ম্যুজিয়ম এন্দ আর্কাইভসনা শীন্দুনা ইন্টরনেস্নেল ম্যুজিয়ম দেগী থৌরমগা মরী লৈননা অঙাংশিংগী লাই য়েকপগী অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম হৌদোক্লদুনা স্পিকর ব্রাই খেমচান্দনা হায়, লমদম অসিগী অঙাংশিংগী ওইবা লাই য়েকপগী চাংদম্নবা অমা শিনবনি।

ঙসিগী চাংদম্নবা অসি চুম্নগী লাই য়েকপগী চাংদম্নবখক্তা নত্তনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ম্যুজিয়ম এন্দ আর্কাইভসতা শাগৎলিবা মণিপুরগী পোলিটিকেল হিষ্টরি অসি অসি খঙহনবা চংই।

অঙাংশিংনা মফম অসিদা তোয়না লাকপগী খুদোংচাবা অদু পীরগা মখোয়গী মমান্নবা অমসুং অহল লমনশিংদা তপ্না তপ্না শনে দাকখিদুনা মীয়ামদা খঙহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

চথরিবা পেন্টিং কম্পিটিসন অসিগী মনা মথুম য়েম্বোকপগী থৌরম লাক্লিবা ওক্টোবর ১৮দা ম্যুজিয়ম অমসুং আর্কাইভস অসিগী মপোক কুমওন নুমিত্তা পাঙথোক্কনি হায়খি।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরী এম রমনি দেবীনা হায়, ঙসি পাঙথোক্লিবা অঙাংশিংগী লাইয়েকপগী চাংদম্নবা অসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা শিনবা অহানবনি।

লমদম অসিগী হিষ্টরি অসি অঙাংশিংদা মমি তাহনবা ঙম্লবদি নেস্নেলিজমগী ব্রাখল্লোন শাগৎপদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি। মদুগী ব্রাখল্লোন অদু অঙাংশিংদা খঙহন্নবা হোৎনবনি।

ঙসি অহানবা পাঙথোকপা নুমিৎ অসিদা অঙাং মশীং য়াম্না শরুক য়াবা অসি নুংঙাইবা ফাওই। এসেমব্লিগী ম্যুজিয়ম এন্দ আর্কাইভসনা চহী খুদিংগী ওইনা কম্পিটিসন কয়া মথং মথং পীনবা হোৎনগনি।

পেন্টিং অসিদা নত্তনা মখা তানা ক্বিজনচিংবা অথোই অহেন চাংদম্নবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লবা কম্মিতিনিচিংবা শেমদুনা লৈরে। চপ চানা মতম লেপ্পমক লৈত্রবসু মদু শোয়দনা পাঙথোক্লবা থৌরাং হৌরে হায়খি।

ঙসিগী অথোই অহেন চাংদম্নবা অদুদা ক্লাস ফাইভতগী সেভেন ফাওবগী কাঙলুপ অমা অমসুং ক্লাস আইটতগী টেন ফাওবগী কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোক্লি। মসিগী প্রাইজনা অহানবাদা লুপা লিশিং ১০, অনীশুবদা লুপা লিশিং ৭ অমসুং অহুমশুবদা লুপা লিশিং ৫ অমসুং কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা অঙাং ৫ দা লুপা লিশিং অমমমসু পীগনি।

চাংদম্নবা অসিদা পুন্না অঙাং ৫১ না শরুক য়ারি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লাই য়েকপগী অথোই অহেন তান্নবগী চাংদম্নবা অদুদা ক্লাস ফাইভতগী সেভেন ফাওবগী কাঙলুপতা সেন্ট জোর্জ হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই দৌলাস লম্বামযুমনা অহানবা, রিগুলার ইংলিস স্কুল বমদিয়ারগী মোইরাংথেম থোইথোইবনা অনীশুবা অমসুং কেন্দ্রিয় বিদ্যালয় লম্ফেলগী মহৈরোই খুসি অহৈবমনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কন্সোলেসন ফংলবা মহৈরোইশিং অদুদি লনলৈবা সিনাম, প্রেসিলা হৈক্রুজম, জুলিয়ানা থোইদিংজম, জিনিয়স সলাম অমসুং সিধুজিৎ থোঙামনি।

অনীশুবা কাঙলুপতা মারিয়া মোন্টেসোরি সেনিয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই সুরজ যুম্লেম্বমনা অহানবা, হেরিতেজ কনভেন্ট স্কুলগী যুম্লেম্বম উদোয়নন্দনা অনীশুবা অমসুং বাল বিদ্যা মন্দিরগী মহৈরোই তোইজম ঘনশ্যাম সিংহনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কন্সোলেসন প্রাইজদা মার্টিন তোংব্রম, লাইফ্রাকপম রোহিৎ অমসুং ভেনিস কৈশামদা পীখি।

# মোইরাংপুরেল হায়স্কুলগী মহৈরোই ৭৪ এগজাম থাবদা ৭৩ ফার্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌখ্রে

ইম্ফাল,মে ১৮ (এস এন এস)ঃ

বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট একজামিনেসন ২০১৯গী ফল ঙসি লাওথোকখিবগা লোয়ননা মোইরাংপুরেল হায়স্কুলনা লৈঙাক্কী স্কুলগী মায় ঙাকখ্রে। স্কুল অসিগী ওইনা মহৈরোই পুন্না ৭৪ চাংয়েং অসিদা শরুক য়াবদা মহৈরোই ৭৩ অহানবা দিভিজনদা পাস তৌখি, মহৈরোই অমনা অনীশুবা দিভিজনদা পাস তৌরকখি।

লৈঙাক্কী স্কুল অমা ওইরিবা মোইরাংপুরেল হায়স্কুলগী এচিভমেন্ট অসিগী মতাংদা স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর কে এস ঐচ জোনসননা পাউচে অসিদা হায়, স্কুল অসিনা হন্দক্কী চহীগী হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট একজামিনেসনদা মকোক চাদ ১০০ পাস তৌরকপা লোয়ননা মহৈরোই ৭৪গী মনুংদা ৭৩না অহানবা দিভিজনদা পাস তৌরকপা অসিমক নুংঙাইবা ফাওই। স্কুল অসিনা মেত্রিকগী চাংয়েং অসিদা চাদ ১০০ পাস তৌরকপা অসি হন্দক্কী চহী অসিনা অহুমলক শুবনি লোয়ননা ফার্ষ্ট দিভিজন্দা পাস তৌবা মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা অসি হন্দক্কী চহী অসিনা ওইরি।

স্কুল অসি লৈঙাক্কী স্কুল অমা ওইরবসু কেন্দ্র অসিগী মীহুৎশু ওইরিবা ফোরেষ্ট অমসুং এনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা অকনবা মীৎয়েং চংবীদুনা হোৎনবীবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অৱাৎপা লৈহন্দবা, অঙাংশিংগী চান্নথক্লবদগী হৌরগা অৱাৎ অপা পূন্নমক য়েংশিনবীদুনা মেনখৎপীবা লোয়ননা লাইরিক লাইশু পাফমনচিংবা মতিক চানা মেনখৎপীবনা মায় পাকপা অসিদা চাউনা মতেং ওই হায়খি।

মহাক্লা হায় স্কুল অসি লৈঙাক্কী স্কুল ওইরবসু লৈঙাক্কী ওজাগী অৱাৎপা লৈবনা স্কুল অসিদা লৈঙাক্কী অশেংবা ওজা মশীং য়াম্না য়ামদে। হৌজিক লৈঙাক্কী ওইবা অশেংবা ওজা ৮ খক্তমক লৈ। অৱাৎপা ওজাশিং অসি মিনিষ্টরনা হোৎনবীদুনা লাইরিক লাইশু হৈরবা নহা কয়াবু লন্নাই ওইনা নেক্লগা স্কুল অসিগী ওজাগী অৱাৎপা মহৈরোইশিংদা ফাওহন্দে।

অমরোমদা স্কুল অসিগী চৎনবী অমা ওইনা ক্লাস টেনগী চাংয়েংদা শরুক য়াগদবা মহৈরোইশিং অদু স্কুলগী বোর্ডিংদা লৈহনলি। লৈকাইগী মহৈরোই ওইরবসু চাংয়েংগী মতম নকশিনলক্লবা মতমদদি বোর্ডিংদা লৈহল্লগা অহেনবা ক্লাস লৌদুনা লাক্লিবনি।

মিনিষ্টরনা স্কুল অসিবু হকথেংননা য়েংশিনবীবা,অৱাৎ অপা কয়া য়েংশিনবীবা অসিদগী স্কুল অসিগী ঙসিগী থাক অসি য়ৌরকপনি হায়বদা লাল্লোই। অদুম ওইনমক স্কুল অসিদা হৌজিক সবজেক্ট খরা তাকপীগদবা ওজাগী অৱাৎপা লৈবনা খুদোংচাদবা খরদি মায়োক্লে হায়খি।

# থোংজাওরোক তুরেল মরিল কুৎথখিবদগী লৌমীশিং কোক্তা খূৎ হাপ্লরে

ইম্ফাল, মে ১৮ (এস এন এস)ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী থোংজাওরোক তুরেলগী মপান্দগী তুরেল অসিগী অকোয়বদা লৈবা খূলশিং হায়বদি খোইজুমান তুরেল অমদি ক্বাসিফাইগী লৌমীশিংনা মণিপুর অসিদা পুথোক্লিবা মহৈ-মরোংগী চাদা ৯০ রোম পুথোক্লম্বা অদু তুরেল অসিগী খোঙনুং হেন্না কুৎথখিবনা মরম ওইরগা মফম অসিগী লৌমীশিং কোক্তা খূৎ হাপ্লরে।

ঙসিদগী চহী ১৫ রোমগী মমাঙদগী লৌ উদুনা চাথোক য়াম্না পুথোক্লবা মফম অসিগী লৌফম কয়া তুরেল অসিগী খোঙনুং নোংমা-নোংমগী কুৎথখিবদগী ঈশিং ফঙদবনা মরম ওইরগা ফৌ থাবা য়ারক্তদুনা লৌমীশিংনা মতম-মতমগী চান্নবা মহৈ-মরোং থাবা হৌরকখিবনি। অদুবু ঙসিদি লৌফমশিং অসিদা তুরেল অসিগী ঈশিং মরিক অমফাওবা শীজিন্নবা ফঙদদুনা মহৈ মরোং ফাওবা মপুং ফানা অমতা পুথোকপা ঙমদবদগী লৌমীশিং মথৱায় ৱানা লৈহৌবা পাউমীশিংনা থেংনরকখি।

হায়রিবা লৌফমশিং অসিদা ঙসি পাউমীশিংনা হকথেংন্না চক্লুনা লৌমীশিং উনদুনা ৱারী শারুবা মতমদা লৌমীশিংগী ওইহৌরিবা ফীভম অসি থেংনরকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী খোইজুমান মনিং লৈকাইদগী নিংথৌজম কেশো কৌবা লৌমী অমনা পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা পাউমীশিংদা হায়খি মতম অমদা থোংজাওরোক তুরেল অসিনা ঈশিংগী কান্নবা পীদুনা তুরেল অসিগী অকোয়বদা লৈবা লৌফমশিং চহী অমদা ক্রোপ অমখক পুথোকপফাওবা লৌমীশিংদা অৱাবাময়োক্লরে। মসিনা লৌমীশিংগী মচা মশুশিংমী ওইনবা শেম্বা ঙম্লোইদ্রা হায়বগী অকিবা লৈরে।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি, থোংজাওরোক মরিলগী ঈশিংনা অকোয়বদা লৈবা খূলশিং খোইজুমান, তৌবুল অমসুং ক্বাসিফাইগী লৌফমশিংদা মতম চুপ্পদা শংহন্দুনা মনা মশিং মহৈ মরোং পুথোক্লিবনি। মণিপুরদা পুথোক্লিবা মনা মশিং অসিগী চাদা ৭০ দি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী হায়রিবা খূল অহুম অসিনা পুথোকপনি। খূল অহুম অসিগী চাউরাক্লা লৌফম পরী ৪০০০ / ৫০০০ দগী পোথোকশিং অসি পুথোক্লিবনি। অদুবু ঙসিদি ঈশিং ফংদবনা মরম ওইরগা মমাঙদা পুথোক্লম্বা চাথোক্কী চাদা তংখাই হেন্না হন্থরে।

থোংজাওরোক মরিল অসি হেন্না কুৎথখিবসি মথক থোঙবা ওথোরিটিগী মীওইশিংনা মাগী-মাগী অনিংবা অপাম্বা মতুং ইন্না চহী চুপ্পা লেপ্পা লৈতনা নুং লৈঙোই কোকথোকপদগীনি। মসি তৌবীদনবা অমদি লৌমীশিংগী অৱাবা অসি কোকহনবিয়ু হায়দুনা লৈঙাক্তা কয়ারক ৱাকৎলবসু করিগুম্বা থবক অমতা পাইখৎপিদে। হীরম অসিগী মতাংদা লৌমীশিং অসিনা থা অহুলোমগী মমাঙদা লোকেল এম এল এ দা ৱাকৎখিবসু লৈরে। এম এল এ নসু দাম অমা শাবিরনি হায়খিবসু লৈরে। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোকপিদে। তুরেল খোঙনুং অসি কুৎখিবনা লৌমীশিংদা অৱাবা ময়োক্লহল্লিবসি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবীদুনা তুরেল মরিল অসিদা দাম শাবীদুনা লৌফমশিং অসি কনবিয়ু অমসুং লৌফমশিং শেম্বোক লম্বী লৈহন্দুনা তুংগী মীরোলশিং কনবিয়ু হায়নসু মখা তানা মহাক্লা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

# নোংমগী ওইবা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,মে ১৮ (এস এন এস)ঃ মহৈরোই লূপ অপূনবা ইরৈবাক্কী মহৈরোইশিং শিনপাঙ লূপ (এ আই এম এস) কী ৭ শুবা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা ঙসি মহৈরোই লূপ অসিগী ভোলুন্টিয়রশিংনা জেনিমস ব্লদ বেঙ্ককা খূৎশম্নদুনা ‘পারি পুরিগী লিক্লম কন্ননবা কখোক্লবা ঈশেং ঈ’ হায়না মিংথোনদুনা জেনিমসতা নোংমগী ওইবা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে।

ব্লদ দোনেসন অদুদগী মতাংদা এ আই এম এসকী প্রসিদেন্ট রাজেশ য়ূম্নামনা পাউমীশিংদা হায়, মতম অমদা ইপা-ইপুশিংনা চৎনরম্বা নাৎ কলচর খুদিংমক মাঙশিল্লক্লে হায়বা য়ারে। খুন্নাই অসিনা চাম্মদা চাম্মা মীপাল তাংদুনা হীরম কয়াদা শোৎথদুনা লৈরি। ফীভম অসিদগী কন্নবগীদমক লমদমসিগী মীয়াম্না লেপ্তুনা ষ্ট্রগ্গল তৌবা মথৌ তাই। খুন্নাই মীয়াম্বু হিংগৎহনবা মটিং মার্জিনেল হাপ্পা ওইনা মহৈরোই লূপ এ আই এম এস অসিনা ঈ কৎপগী থৌরম পাঙথোকচবনি।

ঙসিগী মীরোলনা ষ্ট্রগ্গল তৌবদা নীংহন্নবগী থৌনা লৈরোইদবনি। খুন্নাই অসি পোলিটিকেল্লি মনিং-মখা তম্বা মাঙখ্রবা খুন্নাই অমনি। খুন্নাই মীয়ামগী মশাগী হক মৎপীরবা ইন্দিয়াগী মীওই ক্রোর ১৩৩.৯২ পোপুলেসনগী ঈপাক্তা মীতে লাক্ষ ১২ না ইরাক্লরি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ঙসিগী খুন্নাই মীয়ামগী পুন্সিরোলদা কাঙ-খোঙ চায়রকপা অতৈ উহৈদবা থোক্লকপা দ্রগ নিশাগী ঈপাক্লা ঈরাক্লরল্লিবা, লাইরিক লাইশু হৈরবা নহা কয়ানা থবক ফংদনা লৈরিবা নহারোল কয়া নোংমা নোংমগী হেঞ্জিল্লক্লি। অসিগুম্বা লুরবা তাঞ্জাসিদা ঐখোয় মীকপ থোকপা মতম ওইরে।

মাঙলমচৎকী পুৱারী লিক্লমদা লৈরম্বা ইপা-ইপুশিংগী মনিং-মখা তম্নবগীদমক লাম্হেংনখিবা লানফমদা থৱায় থাদোকপদা চিংনবা লৈখিদে। মখোয়দা মীপাল তাংবগী ৱাখল লৈখিদবা মসিগী শক্তম নাৎ ঙাক্লা হিংবা পামখিবনি। অসিগুম্লবা ইপা-ইপুশিং অদুগী লিক্লমচৎ অদু থীদুনা চৎপা অমদি খোঙ্গুল লীবা চঙই। ৱাখল্লোন অসিবু নৌহৌননা এ আই এম এসনা মীয়ামদা নীংশিংহনবা পামজে। মরম অদুনা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি শিনবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ফোল আর্মি ৱার্ম হাৎনবা তিলহাৎ হিদাক শীজিন্নবা পিপলস ফোর এনিমেলনা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮(এস এন এস)ঃ

চান-থক্লনবা মহৈ-মরোং পুথোকপা পাম্বীশিং পাক-শন্না মাঙহনবা ঙম্বা ফোল আর্মি ৱার্ম হাৎননবগীদমক অখঙ-অহৈশিংনা তিলহাৎ হিদাক শীজিন্ননবা খঙহনখিবদু পীপলস ফোর এনিমেলস মণিপুরগী মেনেজিং ট্রষ্টি এল বিশ্বজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়,ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিছার্স, মণিপুরগী ইন্টোমোলোজিষ্টশিংনা মণিপুরদা ফোল আর্মি ৱার্মগী মহৌশাগী য়েক্লবা (নেচরেল ইনেমি) লৈত্রি হায়বা পাউ থেংনবদা অকিবা অমদি অঙকপা ফাওই। য়ুনাইটেদ নেসনগী ফুদ এন্দ এগ্রিকলচরেল ওর্গনাইজেসন (এফ এ ও)গী মতুং ইন্না তিন অসিগী মহৌশাগী য়েক্লবদি মণিপুরদা মরাং কায়না লৈরিবা ককচেং, লৈবাক খোই (ৱাস্প), চেগাপি (এয়রৱিগ), তিন চাবা উচেক, হঙোই অমদি নুমিৎয়ুংবীশিংনি হায়না হায়রি। মখোয়শিংগী মথক্তা বেক্টিরিয়া অমদি ভাইরস মখল খরসু লৈরি।

তিন অসি হাৎপদগী হেন্না মরু ওইবা ৱাফমদি তিন অসি হাৎননবা শীজিন্নরিবা হিদাক লাংথকশিং অদুনা মহৈ-মরোং, উপাল -ৱাপালগী মরুপ ওইবা অতোপ্পা তিনশিং হাৎননবা হোৎনবসিনি হায়না মালেমগী অখঙ-অহৈশিংনা হায়রি। মরম অসিনা মহৌশাগী য়েক্লবশিং য়োকখৎপা, য়েক্লবশিং অসি মহৈ-মরোংদা মরাং কায়না লৈনবা হোৎনবনা তিন অসি থিংবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা থবক ওইগদবনি। চুজাক্তা তারিবা অসিগী মতুং ফৌদা অমুক তাক্কদৌরিবনি হায়রি।

মালেম্না য়ানরিবা তিন অসিগী য়েক্লবা ওইরিবা বেক্তরিয়া অমদি ভাইরস য়াওবা বাইওপেষ্টিসাইদশিং লৌমীদা য়েম্বোক্কদবনি। তিন অসিগী লাবা ফাননবা ফেরোমোন ট্রেপ মরাং কায়না লৈরগা লৌমীশিংদা য়েম্বোক্কদবনি। তিন হিদাকখক্তা নত্তনা লৌমীনা তৌজবা য়াবা মহৌশাগী খলদা অকায়বা পীদবা লম্বী হায়বদি ককচেং ইন্নবা চিনি মহি চাইথোকপা, উৎ অমদি লৈঙোই চাইথোকপা, নিমগী শরুক য়াওবা বাইওপেষ্টিসাইদ চাইথোকপনচিংবা এফ এ ওনা হায়রিবশিংসু তাকপিগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়,অকনবা তিলহাৎ হিদাক শীজিন্নরুরবদি মহৈ মরোং অমদি উপাল ৱাপালগী লৈগী লাবা অমোমগী শরুক পুলহনবা অমদি মহৈ য়ালহনবদা খ্বাইদগী অচৌবা থৌদাং তৌরিবা তিন কাংশিং শিখিদুনা মহৈ য়ানবা ঙম্লোইদৌরিবনি হায়বসিসু আই সি এ আর খক্তা খঙবা নত্তনা লৌমীসু খঙহনবিয়ু।

ফোল আর্মি ৱার্মগী চৈথেং অসি মহৈ মরোং খক্তদা নত্তনা লম্লক্কী শা -উচেক্কী মচিঞ্জাক ওইরিবা উমংদা হৌবা মহৈ মরোংদসু অকায়বা পীরক্কনি। অকনবা তিলহাৎ হিদাক শীজিন্নবনা পীবা চৈথেংসু মান্নগনি। ফোল আর্মি ৱার্ম মুখৎপা ঙম্লোই। ইন্টিগ্রেটেদ কন্ট্রোল খক্তনা মেনেজ তৌগদবনি হায়রি।

মণিপুরদা উমং কোকথোকপনা অশাব হেনগৎহনবদগী অয়িংবা পামদবা তিন অসি লাকপনি। উচেক, হঙোই পাক্তক্লনা ফাবনা তিন অসি মহৌশানা লাকশিনদবনি। অতোপ্পা লায়না নাবদা অখঙ -অহৈ তান্নদনা অকনবা হিদাক শীজিন্নবদগী তিন অসিগী য়েক্লবা ওইরিবা অতোপ্পা তিনশিং মরাং কায়না লৈতবনি হায়বসি লৌমীশিংদা মচা খায়না তাকপিগদবনি। উমং কোক্লিবা, উচেক ফারিবা, হঙোই ফাদুনা য়োল্লিবশিংনসু ৱাখল তাবা মতম হেল্লে। কৈথেলদগী হঙোই লৈদুনা চারিবশিংনসু হয়েংদি চেং ফাওবা চানিঙাই লৈরক্তবা য়াই হায়বসু ৱাখল তৌবিয়ু।

তিন অসিখক্তা শিবা অতৈদা অকায়বা পীদবা মপুং ফাবা খুৎশেমগী হিদাক লৈত্রি হায়রি। লৌমীশিংনা অখঙ অহৈ তান্নদনা হেক্তমক তিলহাৎ হিদাক শীজিন্নবিগনু। তিলহাৎ হিদাক য়োনবিরিবশিংনসু এগ্রিকলচর ওফিসারগী প্রেস্ক্রিপসন য়াওদনা তিলহাক হিদাক য়োনবিগনু। মণিপুরগী আই সি এ আর অমদি সি এ য়ু না ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা তিনশিংদা মখল অমত্তগী চৈথেং পীদবা হিদাক য়েম্বোকপা অমদি মমিং তাকপিবা তৌবিয়ু।

তিন অসিগী লৈচৎ অমদি মসিবু ঙাকথোকপা হায়বসি লম্লক্কী শা উচেক অমদি অকোয়বগী মহৌশাগী খলদা অকায়বা পীরকপা য়াবনা পি এফ এ মণিপুরনা তৌরিবশিং কূপ্না য়েংশিনগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# চেঙ-হোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (এস এন এস)ঃ

লাইনিং অমদি ইনাৎ য়োখৎপা অপুনবা মালেম (লাইয়াম) কংলৈপাক্ন শিল্লগা পাখঙবা চেঙ-হোংবগী থৌরম দি এম কোল্লেজ কেম্পসতা লৈবা ইপা ৱাঙমপা অমসুং ইমা ৱাঙমপী শঙলেন্দা পাঙথোকপগা লোয়নন থৌরমগী পাউজেল পুবা খোঙচৎ অমা খ্বায়রম্বন্দ কৈথেল ফাওনা চৎখ্রে।

ঙসি অয়ুক ৭.৩০ তাবা মতমদগী হৌদুনা ইপা ৱাঙমপা অমসুং ইমা ৱাঙমপী সঙলেন্দা নাটকী ওইবা লাইনিং-লাইশোনগা লোয়ননা মীয়াম্না চেঙ-হৈরবা মতুং পাউজেল পুবা খোঙচৎ অদু চৎখিবনি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা লাইয়াম কংলৈপাক্কী এদভাইজর মোইরাংথেম মেঘচন্দ্রনা পাউমীশিংদা হায়, পাখঙবা চেঙ-হোংবা থৌরম অসি পারী পুরি ইপা-ইপুগী ওইবা লৈশেমঙৈদগী হৌনা সলাইরেল শিদবা ইপানা লৈশেম্বসি লোয়রবা মতুংদা মচানুপা অনিদা খুভম শিন্নরকপা অসি ইবুধৌ পাখঙবনা মমাগী য়াথং লৌদুনা মপাগী ফমং-খাং কোয়রগা নিংথৌ খুভম লৌখি। অসিগুম্বা নিংথৌ খুভম লৌবগী ফম্বাল তোংবগী নুমীৎ অসিবু নিংশিংবা ওইনা ঐখোয়না পাখঙবা চেঙ-হোংবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

মহাক্লা হায়, কংলৈ খুনাইগী থাগী শোইফদ্রবা থৌরম মশিলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা পাখঙনবা চেঙ-হোংবগ থৌরমসু অমনি।

কংলৈ অসিদা থা ১২গী ওইনা পাঙথোকপা লাইগী থৌরম মশিলশিংগী মনুংদা চহী ১গী অনিশুবা থা কালেন থাগী থানিলগী ১৫নি পানবদা পাঙথোক্লিবা পাখংবা চেং হোংবা হায়বা থৌরম অসি মালেম লৈশেমলোনগা তৎনা থানা য়াদ্রবা থৌরম অমনি হায়নসু মহাক্ল মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাঙখঙবা চেঙ-হোংবগী পাউজেল পুবা খোঙচৎ অদু দি এম কোল্লেজদগী থাংমৈবন্দ গেটতা থোরক্লগা খোয়াথোং, নাগামপাল, খ্বায়রম্বন্দ কৈথেল ফাওরগা বি টি রোদ, কংলাপার্ক পরিংদা চৎলগা দি এম কোল্লেজ গেটতা চংলগা ইপা ৱাঙমপা অমসুং ইমা ৱাঙম্পী শঙলেন্দা লমথুং ফম ওইখি।

# পুলিসনা পুলিসকী মথক্তা থাঙ্গৎপা ৱাকৎ রাইটস কমিসননা লৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর পুলিসতা এ এস আই ওইবা নিংথৌখোঙ বাজার ৱার্দ নম্বর ৫দগী খুদ্রাকপম শমুঙৌ কৌবা নুপা অমনা মহাকপু পুসিল পার্সোনেল খরনা আইননা য়াদবা মওংদা ইকাইবা পীরে অমদি ওৎ-নৈরে হায়বগী মতাংদা মরী লৈনবা পুলিসকী ওথোরিটিনা এক্সন অমত্তা লৌখৎপিদ্রে হায়না মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কমিসনদা থারকপা কমপ্লেন পেটিসন অমা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্টকী সেক্সন ১২গী ইনক্বারিগীদকমক্তা রেজিষ্টার তৌখ্রে। লোয়ননা মণিপুরগী ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসতা জুন ৬ ফাওবদা মরিক চুম্বা রিপোর্ট অমা থারক্লবা খঙহনখ্রে।

ৱাকৎ থাঙ্গৎলক্লিবা মদুগী কাউন্সেল সুরেন্দ্রকুমারগী ৱা তারবা অমদি কমপ্লেন পেটিসন অদু পারবা মতুংদা কেস অসি ইনক্বারিগীদমক্তা রেজিষ্টার তৌখিবনি। কমপ্লেন পেটিসন অদুগী মতুং ইন্না হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৩দা মহাক্লা ওফিসিয়েল দ্যুতি চৎনবা ফুল য়ুনিফোর্মদা লৈরিঙৈদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী এস আই এল নেত্রজিৎ সিংহ অমদি এ এস আই ইন্দ্রকুমারনা ফাদুনা পুরগা সেকেন্দ ও সিগী কাদা পুশিল্লগা ফু-চৈখি। নুমিৎ অদুগী নুমিদাং পুং ৬তা ইম্ফাল পি এস কী ওফিসতা কমপ্লেন অমা ইখি। অদুবু এক্সন অমতা লৌখৎতবদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি অমদি ডি জি পি দা হায়জখি অদুবু এক্সন অমত্তা লৌখৎপীদ্রে হায়রি।

কমপ্লেন পেটিসন অদুগী মতুং ইন্না মহাকপু ফেব্রুৱারি ২৬তা এফ আই আর ৫৩ (৩) ২০১৯ আই পি এস য়ু এস ৩২৬। ৩৫৪ গা মরী লৈননা ফাখি অদুবু নুমিৎ অদুমক্তদা কোর্টনা বেল থাদোকখি। অদুবু ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি নদি মহাক এপ্রিল ২৬তগী ২৯ ফাওবা নুমিৎ মরিনি পুলিস কষ্টদিদা লৈরুই হায়বগী মরালদা এপ্রিল ২৯দা সসপেন্দ ওর্দর থোকখি।

মহাকপু সসপেন্দ তৌরিবসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱুইমেন পুলিস ষ্টেসনগী আই ও শ্রীমতি ষ্টৌনৈকিম মিসাওনা লান্না রিপোর্ট পীশিনবদগীনি। মসি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৬গা আর্টিকল ২১গা পুন্না পারগা মহাক্কী রাইট টু লাইফ অদু শিংনবনি হায়রি।

# মমানা চা য়োল্লগা থাক্লকপা মচানা পোজিসন...

*লমায় ১গী মখা*

২২ শুবা পোজিসন য়াওরকখ্রবা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী মহৈরোয় মোধুচন্দ্রগী মমা প্রমাপাতিনা ফোঙদোরকদা মহাক্কী মপুরোইবসু চহী ৬ লোমগী মমাঙদগী যূমদা হল্লকখিদ্রে হারদুনা মচাশিং অসিবু মপা য়াওদনা মী অমমম ওইনবা হোৎনরকপদা চা হোটেল ফমদুনা মহৈ তমহল্লকখি হায়খি।

মচানুপা ৩ গী মনুংদা মহাক্লা য়াইম্নি মখাদা লৈরিবা মনাওনুপা অসিসু ক্লাস ফাইভ তন্নি ময়াম্বনা যূমগী লৈতা লায়রগী মতেং পাংদুনা লৈরি হায়রদুনা মচাশিংনদি হোৎন্নিংবা অদুবু মমা অমা ওইনা নিংবা থুংহনবদি ঙমখিদে মচানা অথেংবদা লাইরিক পারগা মমানা য়াম্না ৱানা শংজখিবা অদুগী মহৈ খরদি ফঙজরকপা অসিদা হরাওজবা ফাওই হায়খি।

চরাংপাৎ হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর খারিবম সুরচন্দ্রনা মহাক্কী স্কুদগী পোজিসন হোল্ডর অমা য়াওরকপা অসি অদুক্কী মতিক অপেনবা ফাওই হায়রদুনা সরকারগী স্কুল ওইরুবনা ওঝাশিং অসি পোজিসন থাদোক্লিংবা মতমদা হেক্তা পোজিসন থাদোকখি, ওঝা ৱাৎপগী অৱাবা ময়োক্লবা অমদি লৈবাক্কী থৌদোক কয়া ভোর্ট নচিংবা থৌদোকশিংদা সরকারগী ওঝাশিং হেক-হেক য়াওহনবা মরম্না মহৈরোয়শিং লাইরিক তম্বিবদা অয়েৎপা কয়া য়াওবনা খুদোংচাদবা লৈ হায়না ফোঙদোলকখি। অদুম ওইনমক স্কুল অসিগী ওইনা মহৈরোয় ৩১ না একজাম থাবদা ২২ পোজিসন অমা য়াওনা ফার্ষ্ট দিভিজন দা মহৈরোয় ৯ য়াওরকপদা অসিমক য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই ফোঙদোরকখি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফঙবা পাউনা হায়, লৈঙাক্কী মমায় ঙাক্তুনা ২২শুবা পোজিসন লৌরকখ্রবা মহৈরোই অসি সি আর একাডেমিগী মহৈরোইনি। হায়রিবা একাডেমি অসি বোসেমগী রিকোগনেসন ফঙদবদগী চরাংপাৎ হায়স্কুলদা এটেষ্ট তৌরগা একজাম থাখিবনি হায়রি।

# বুদ্ধ পুর্নিমাগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮(এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর বুদ্ধিষ্ট এসোসিয়েসন (অম্বা)না শিল্লগা বুদ্ধ পুর্নিমাগী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী নিংঙোমথোং সাইরোম লৈরক কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৬ তাবা মতমদগী হৌদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী অহৌবা ওইনা অখন্নবা হিরিকোনবা অমসুং তিল্লিবা মীয়াম্না অপুনবা হিরিকোনবা পাঙথোকখি। তুংদা ধম্মপদা পাবা লোয়রবা মতুং এম যুগী হান্নবগী প্রোফেসার ডোক্তর এম এস নিংঙোম্বা হৌজিক্লা লম্বোইবা ওইদুনা ভেনেরেবল পাছৌ পা হায়না মিংথোল ফংলবনা লাইনিং-লাইশোনগী ৱারোল পাথোকখি।

# অফাওবা আই এ এস ওইবা...

*লমায় ১গী মখা*

ফাওবদি মণিপুরদা লৈবা স্কুল অমদা তম্লগা মখাতাবা দিলিদা তমদুনা সিবিল সার্ভি একজাম থারগা আই এ এস ওইনিংবগী অপাম্বা অরবিন্দনা ফোংদোকখি।

বন্দ-ব্লোকেদ অমদি কুক্ষে-হরাওনা মহাক্কী ষ্টদিদা অকায়বা খরদি পিখি। অদুবু মহাক্কী অপোকপা, অপোকপি অমসুং ওজাশিংনা পুক্লিং থৌগৎপিপদগী কন্না হোৎনখিবগী মহৈনা অনিশুবা পোজিসন তাবা ঙমখিবনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোংদোখি।

একজাম অসিদা অরবিন্দনা মৈতৈ ময়েক, ইংলিস, মেথমেটিক্স, সাইন্স, সোসিয়েল সাইন্স অমসুং হোম সাইন্সতা লেটর চত্তুনা অপুনবা মার্ক ৬০০কী মনুংদা মার্ক ৫৬৭ ফংদুনা অনিশুবা পোজিসন তাখিবনি।

# ট্যুসনগী মতেংনা ফীভম অসি ...

*লমায় ১গী মখা*

ঙসিগী ফীভমসি য়ৌরক্লিবসি মাম্মদা ক্রেদিট পীনিংই। সেকেন্দ পোজিসন্দা লাক্কনি হায়নদি খনখিবা লৈতে। টোপতেন ফাওবগী মনুংদদি চল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ-খ। মখা তানা মণিপুরদা তমথদুনা জেনরেল লাইন্দা চৎনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। মহাক্লা মখা তানা হায়, ক্লাস তেনগীদি সবজেক খুদিংগী ট্যুসন মফম অনীদা হোংলগা চৎলকখি। মদুদা মহাক্কী মবুং অমদি মাম্মানা অয়াম্বা থিনবী। স্কুলদদি অকক্লবা মতম অমদা সবজেক শুনা লাইরিক তাকপনিনা ট্যুসনগী মথৌ তারকই। লোয়ননা লমদমসিসু ইশু য়াম্না লৈবা লমদম ওইবনা মহৈরোয়শিংনা নুংতিগী মতম নাইনা লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈবা মথৌ তাই। মহাকসু মেত্রিক পরিক্ষাগীনি হায়না অকক্লবা পুংশিংদা লাইরিক পাখিবা লৈতে। নোংমগী হৈনবী ওইবা পুং ৩ দগী ৮গী চাংদা পাবা খক্তনি। করিগুম্বা খঙনিংবা মথৌ তারকপা য়াওরকপা মতমদা মাম্মাদগী মোবাইল লৌরগা শীজিন্নে হায়খি।

# লৈঙাক্কী মহৈশঙশিংগী ছুটি ...

*লমায় ১গী মখা*

মতমদদি নোংমদা পূং ৬-৭ ফাওবা লাইরিক পাই। সবজেক্ট অয়ামবা ট্যুসন তৌই, ওপস্নেলদি ট্যুসন তৌখিদে। কোচিং নৎত্রগা ট্যুসন হায়বসি কম্পলসরিদি নত্তে। অদুবু স্কুলগী ওজানা তাকপী-তম্বীরকপদা জ্ঞান খরা তাবা ৱাৎপা অদু কোচিং অমদি ট্যুসনদা নৈনবগীদমক্তা কোচিং চৎপনি।

মোইরাংথেম জুলেন্দিয়ানা থার্দ পোজিসন তারকপা অসিদা মীয়ামদা করি মেসেজ পীনিংবগে হায়না হংবদা মহাক্লা হায়, ইশানবু হোৎনরবদি মায় পাকপা ঙম্মী হায়বসি মীয়ামগী মফমদা হায়জনীংই। মহাক তুংগী পুন্সিদা মতীকচাবা ডোক্তর অমা ওইগে হায়বগী ফীরেপ লৈ হায়রি।

মহাক্লা হায়, মহাক সোসিয়েল মেডিয়া অমত্তা শীজিন্নদে অদুগা মোবাইলনচিংবসু পায়রগা মতম মাঙহনবসু তৌদে। স্কুলদগী প্রোজেক্টনচিংবা পীরকপদদি ইন্টর্নেটকী পাম্বে শীজিন্নরগা খঙনবা হোৎনবদা মতেং লৌই। ছুটি নুমিৎকুম্বদা মতম লেনবা ওইনদি মতম শাংদনা মোবাইলদা গেম শান্নবসু য়াওই হায়খি।

হৌজিক্কী মণিপুরী খুন্নাইদা মহৈরোইশিংনা লৈবাক্কী ইশুশিংদা য়াওশিল্লগা মখল মখাগী এজিটেসনদা শরুক য়াবসি মহৈরোই অমা ওইনা করি ফাওই হংখি। মহাক্লা হায়, মহৈরোইশিংনা ইশু খুদিংমক্তা য়াওশিনবা অসিদি কয়া পামদে। ইশু খুদিংমক্তা য়াওদুনা লৈরবদি মহৈ-মশিন তম্বদা অকায়বা লাক্কনি হায়নসু মহাক্কী মোট পীখি।

মোইরাংথেম জুলেন্দিয়া দেবীগী অপোকপা মোইরাংথেম সুর্জিৎ অমসুং অপোকপী মোইরাংথেম প্রেমলাতা দেবী মেক্সতা লেব টেক্নিসিয়ান ওই হায়রি। অদুগা জুলেন্দিয়া মচিন-মনাও অনী পোকপদা মহাক্লা মচা অহলনি। এসটি থোমাস স্কুলদা মহাক্কী মৌপ্পাসু ক্লাস সভেন তম্লি।

# চাক থোংবা বামোন ১গী মচানা...

*লমায় ১গী মখা*

য়ৌনবা হোৎনবদা নোংমগী অকক্লবা মতম থমদনা অয়াম্বা মতমদা লাইরিক পাখি। লোয়ননা মহাক সবজেক্ট খুদিংমক টুইসন চত্তুনা কন্না হোৎনখি। মণিপুর অসি বন্দ ব্লোকেদ তোইনা তৌবা মরম্না স্কুলদা ওঝাশিংনসু ক্লাস তৌনিংলবসু ছুতি থাবা অমদি স্কুলগী ক্লাস অমগী মতম অসি য়াম্না তেনবা মরমনা টুইসন চৎপসি য়াম্না কান্নবা পী। অমসুং অহেনবা লৌশিং তান্ননবা টুইসন চৎপসি কান্নে। অদুবু টুইসন চৎপনেনা চৎলগা মমিংতগী চৎপদি কান্নদে হায়খি।

ভুমিকা শমুরাইলাৎপম ইম্ফাল ৱেষ্টকী ককৱা নাওরেম লৈকাইদগী এস ঐচ তোম্বা অমসুং এস ঐচ শান্তি অনীগী মচানুপী ৩গী মনুংদা মহাক্লা ইতোন তোনবীনি। মহাক্কী অপোকপা এস ঐচ তোম্বা ককৱা নাওরেম লৈকাইদা লৈবা নরশিংগী লাইফমদা চাক থোংবা অমসুং লৈকাই অদুদা ফার্মসি ফম্মী। অপোকপীনা ইচম চম্না য়ুমগী হাউসৱাইফ অমনি। মহাক্কী মচে অহন হৌখিবা ২০১২ গী কোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সি ই দা ১৬শুবা পোজিসনদা মায় পাকখি। হৌজিক্লা হায়দ্রবাদ য়ুনিভর্সিটিদা এম সাইন্স কেমিষ্ট্রি তম্লি। মহাক্লা থংনবা মচে য়াইমসু ২০১৬ গী বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সি ই দা ১১শুবা পোজিসনদা মায় পাকখি। হৌজিক্লা মেদিকেলগী কোচিং তৌরি হায়খি।

ভুমিকা শমুরাইলাৎপম নর্সিদগী ক্লাস ৭ ফাও কঞ্চিপুরদা লৈবা ষ্টেদর্দ রোবার্টতা তম্লকখি। ক্লাস ৮তগী ১০ ফাওবনা ক্বাকৈথেলদা লৈবা পিটমবারা ইংলিশ স্কুলদা তম্বনি। মহাক্লা স্কুল হেক তম্বা হৌবদগী ক্লাস খুদিংদা মকোক্তা তাদুনা লাকখি হায়রি।

# ক্লাস টেন একজামিনেসগী পোজিসন ২৫ লাওথোকপদা ...

*লমায় ১গী মখা*

২২০১৫ মায় পাক্তুনা চাদ ৮২.৩০গী চাংদা পাস তৌখি।

হৌখিবা চহী ১০ অসিদা য়েংবদা চৎলিবা চহী অসিনা মহৈরোই মশীং খ্বাইদগী য়াম্না পাস তৌবা চহী ওইরি। কুমজা ২০১০ দা মহৈরোই চাদ ৬০.৭৬ পাস তৌখি। কুমজা ২০১১ দা চাদ ৭০.৭৬, কুমজা ২০১২ দা চাদ ৭০,৩৭, কুমজা ২০১৩ দা চাদ ৭২.২৭, কুমজা ২০১৪ দা চাদ ৬৭.৮৫, কুমজা ২০১৫ দা চাদ৬১.৫৯, কুমজা ২০১৬ তা চাদ ৬৫.৩৭, কুমজা ২০১৭ তা চাদ ৬৬.৭, কুমজা ২০১৮ দা চাদ ৭৩.১৮ অমসুং কুমজা ২০১৯ দা চাদ ৭৪.৬৯ গী চাংদা মায় পাক্লকখি।

চাংয়েং অসিদা থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা মহৈরোই চাদ ৮২.০৯ পাস তৌদুনা পাস তৌবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংখি। উখ্রুল অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টনা চাদ ৭৮.০২, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলনা চাদ ৭৫.৭৮ , সেনাপতি অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টনা চাদ ৭৫.৫১, ইম্ফাল ৱেষ্টনা চাদ ৭৩.৩৯, বিষ্ণুপুরনা চাদ ৭১.৯৮, চান্দেল অমসুং তেংনৌপলনা চাদ ৭১.৪১, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং জিরিবামগী ওইনা চাদ ৬৯.৭৫ অমসুং তমেংলোং অমসুং নোনেদা চাদ ৬৭.০৬ কী চাংদা মহৈরোইশিং পাস তৌখি।

পাঙথোকখিবা চাংয়েং অদুদা মহৈরোই ৮ তাম্বোকখি, মহৈরোই ৪৫ না মহুৎ শিল্লগা চাংয়েং অদুদা শরুক য়ারম্বগী তাম্বোকখি, মহৈরোই অহুমনা ৱিঠহেল্ডতা থমখি।

চাংয়েংগী ফল লাওথোকপা অদুগা মরী লৈননা এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়, মণিপুরগী ওইনা কুমজা ১৯৭৩ দগী হৌরগা চৎলিবা চহী অসি ফাওবদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংদা হন্দক্কী অসিনা পাস তৌবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলি।

অমরোমদা কুম ২০০২ দা চাদ ২১খক্তমক মায় পাকখি। চহী অসিদা চাদ ৭৪.৬৯ য়ৌনা মহৈরোইশিং মায় পাকপা অসি মপুং ওইনা ওজাশিং, স্কুলগী ওঠোরিতিশিং, বোর্দকী ওফিসিয়েলশিং, মহৈরোই লূপশিং ময়াম পুন্না হোৎনমিন্নরকপগী মহৈনি।

লৈঙাক্কী স্কুলনা পাস তৌবগী চাং অসি কুমজা ২০১৭ তা ৪৫.৭০ ওইরম্বদগী কুমজা ২০১৮ দা ৫০.৯৯ অমসুং চৎলিবা চহী অসিদা চাদ ৫৩.৭৭ কী চাংদা পাস তৌরি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অফবা এদুকেসন পীরিবা স্কুলশিং অদু পূক্লিং থৌগৎপনি হায়না লৌবা তাই। লৈঙাক্কী অমসুং লন্নাই হায়বা খায়দোকপা মতম ওইদ্রে হায়খি।

বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরগী চ্যারমেন টি ঐচ কিরনকুমারনা হায়, হন্দক্কী চাংয়েং অসি তোঙান তোঙানবা থাক্তা লৈরিবা দিপার্টমেন্টশিং অসি পুন্না চৎমিন্নরগা থবক তৌমিন্নখি। মসিদা শরুক য়াখিবা ওজাশিংবু বোর্দকী মায়কৈদগী থাগৎলি।

চাংয়েং অসি মতম চানা হায়দোকপা ঙম্বা অসি নুংঙাইবা ফাওই। হন্দক্কী চাংয়েং অসিদা মহৈরোইশিংনা অরানবা পাম্বে শিজিন্নবা থিংনবগীদমক হান্না প্রাইভেট সেন্টর হায়না থম্লম্বা খুদিংমক বোর্দ সেন্টর ওম্বোক্লগা চংশিনখি। লোয়ননা চে য়েংবা মতমদা সি সি টি ভি কেমেরা ফিট তৌরগা য়েংখি।

চাংয়েংগী মওং অসিদা অহোংবা খরমখে লৈগদ্রা হায়না খন্নরম্বা অদু চাউরাক্লা য়েংবদা পাস তৌবগী চাং ৱাংলকপা অসি নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।